# ব্রু ভোটরশিং এনরোল তৌবগী থবক থুজিন্নবা মিজোরাম গভর্নমেন্টনা ত্রিপুরা গভর্নমেন্টতা তকশিনখ্রে



আইজোল, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সি): লাক্কদৌরিবা কুমজা ২০২৩ দা পাঙথোক্কদৌরিবা ষ্টেট এসেমব্লি ইলেক্সনগী মাঙওইননা ব্রু ভোটরশিং এনরোল তৌবগী থবক থুজিন্নবা মিজোরাম গভর্নমেন্টনা ত্রিপুরা গভর্নমেন্টতা তকশিনখ্রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা মিজোরামগী জোইন্ট চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর দেবিদ লিয়নসংলুরা পচাওনা ফোঙদোকখিবদা, মিজোরামদগী ত্রিপুরাদা চঙজফম লৌদুনা লৈখ্রবা ব্রু ট্রাইবশিং ত্রিপুরাগী ইলেক্টোরেল লিষ্টতা য়াওহনবগী থবক ইলেক্সন মমাংদা লোয়নশিন্নবা মিজোরাম ইলেক্সন দিপার্টমেন্টনা ত্রিপুরা ইলেক্সন দিপার্টমেন্টতা তকশিনখ্রে। ত্রিপুরাগী এদিস্নেল চীফ ইলেক্টোরেল ওফিসর অমসুং এসিষ্টেন্ট সী ঈ ওগা হিরম অসিগী মতাংদা ৱারী শান্নখিবগা লোয়নননা ব্রু ভোটরশিংগী ইলেক্সন রাইট মাঙহন্দনবা হায়জখ্রে।

মিজোরামগী ইলেক্টেরেল লিষ্টতা হান্না মমিং য়াওরম্বা ব্রু ভোটর ১,৯৯২ গী মমিং হন্দক্তা মিজোরাম গভর্নমেন্টনা ককথৎখ্রে। হায়রিবা অসি ত্রিপুরা গভর্নমেন্টনা মফম অদুদা চঙজফম লৌদুনা লৈরিবা ব্রু ট্রাইবশিং ষ্টেট অদুগী ইলেক্টেরেল লিষ্টতা য়াওহল্লগনি হায়না খঙহল্লকখ্রবা মতুং ককথৎখিবনি। ত্রিপুরা গভর্নমেন্টনা হৌজিক ফাওবগী ওইনা ব্রু ভোটরর ৫,০০০ রোম ষ্টেট অদুগী ইলেক্টোরেল লিষ্টতা হাপচিনখ্রে। লেমহৌরিবশিং অদুসু অথুবা মতমদা হাপচিন্নবা হোৎনরি হায়না ত্রিপুরা ইলেক্সন দিপার্টমেন্টকী মায়কৈদগী হান্ননা খঙহল্লকপসু লৈখ্রে হায়রি।

মহাক্না মখা তানা ফোঙদোকখিবদা, ত্রিপুরাদা হৌজিক হৌজিক ব্রু ভোটর ১১,৭৫৯ রোম চঙজফম লৌদুনা লৈরি। ঙসিদগী চহী দিকেদ খরগী মমাংদা থোকখিবা কাঙলূপকী ওইবা ঈরাংদা হায়রিবা ব্রু ভোটরশিং অসি মিজোরাম থাদোক্তুনা য়ুমথংনরিবা ষ্টেট ত্রিপুরাদা চঙজফম লৌদুনা লৈখিবনি। মিজোরামদা থোকখিবা কাঙলূপগী ওইবা ঈরং নেমথখ্রবা মতুং অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা চঙজফম লৌদুনা লৈখ্রবা ব্রু ভোটরশিং অমুক হল্লক্কবা মিজোরাম গভর্নমেন্টনা হোৎনখিবা অদুদা লাকখিদ্রবশিংগী ভোটর লিষ্ট ককপগী থবক চথবা হৌরকখিবনি।




মণিপুর ষ্টেট কলা একাদমিনা শিন্দুনা গভর্নমেন্ট দান্স কোলেজদা পাঙথোকখিবা ললিৎ মেমোরিএল লেকচরগী থৌরমদা মরুওইবা মীওইশিং ওইনা শরুক য়াখিবশিং

# মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না ঙমখৈগী ৱাথোক লোয়শিন্নবা হোৎনরি : হোম মিনিষ্টর



শিল্লোং, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সি): অসাম অমসুং মেঘালয়াগী মরক্তা ঙমখৈগী ৱাহৌগা মরী লৈননা চয়েৎনবা কয়া লৈরিবা অদুগী মতাংদা ৱারোইশিন পুরক্কবা ষ্টেট অনীগী চীফ মিনিষ্টরগী থাক্তা অহানবা রাউন্দগী ৱারী শান্নবা লোইখ্রবা মতুং ঙরাং অনীশুবা রাউন্দগী ৱারী শান্নখ্রে। নাকল অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নবা লোইরবা মতুং মেঘালয়াগী হোম মিনিষ্টর লাহকমেন রিম্বুইনা ঙমখৈগী ৱাথোক মীয়ামগী অপাম্বা মতুংইন্না লোইশিনগনি হায়না ফোঙদোরকখ্রে।

হিরম অসিগা মরী লৈননা হোম মিনিষ্টর রিম্বুইনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অনীগী মরক্তা চখ্ররিবা ৱারী শাবগী থবক খুমাং চাওশিল্লি। অথুবা মতমদা নাকল অনীগী মরক্তা লৈনরিবা চয়েৎনবশিং লোয়শিন্নবা হোৎনরি। অদুবু মীয়ামগী অয়াবা অমদি অপাম্বগী মায়োক্তা ৱারোইশিন কৈদৌনুংদা পুরক্লোই। ঙমখৈগী শরুকশিংদা মতম কয়াগী মমাংদগী খুন্দাদুনা লাক্লবা মীওইশিংগা হান্না উন্নদুনা ৱারী শান্নগনি। হায়রিবা অসিমক অসামগী ওইনসু থবক্তা পাঙথোক্লবা থাজবা পীরম্লে। অনীশুবা রাউন্দগী ওইনা ৱারী শান্নখিবা অদুদা চয়েৎনরিবা মফম ৬ হান্না খনগৎলবা মতুং মদুগী ৱারোইশিন পুরক্লবা হান্না হোৎনগনি। হায়রিবা অসিগীদমক রিজনেল কম্মিটি অমা শেম্লবা থৌরাং তৌরে।

হায়রিবা কম্মিটি অসিদা গভর্নমেন্ট ওফিসলশিং অমদি মফমশিং অদুগী মীওইশিং য়াওহনগনি। ৱারোইশিন হান্না পুরক্লবা খনগৎলবা মফমশিং অদুদি লাংপি, বোরদুৱর, নোংৱা-মোতামুর, দেশ দুমরি, ব্লোক ২ ব্লোক ১ অমসুং পসির খান্দুলিনি। মীয়াম্নসু অনীশুবা রাউন্দগী ৱারী শান্নবদা নাকল অনীমক্না য়ানবা পুরকখিবা ৱাফমশিং অসি থবক্তা ওন্থোক্লবা হোৎনবদা মতেং পাংবীনবা অপিল তৌখিবগা লোয়ননা মীয়ামগী মতেং য়াওরবদি মতম শাংনা চয়েৎনদুনা লাক্লিবা ঙমখৈগী ৱাথোকশিং অসি ৱারোইশিন অথুবদা পুরকপা ঙমগনি হায়রি।

# প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা গুৱাহাটিগী কমক্ষ্য টেম্পলদা ভিজিট তৌখ্রে

গুৱাহাটি, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সি): নুমিৎ নীনীগী খোঙচৎতা অসামদা থুংলখিবা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট দ্রৌপদি মুরমুনা অসামগী মনুং চনবা গুৱাহাটিগী নিলাচল হিলসতা লৈবা কমক্ষ্য টেম্পলদা ভিজিট তৌখিবগা লোয়ননা অকোয়বগী ফিভম য়েংশিনখ্রে হায়রি।

প্রসিদেন্ট মুরমুনা কমক্ষ্য টেম্পল ভিজিট তৌখিবা অদুদা অসামগী গভর্নর জগদিস মুখি অমসুং চীফ মিনিষ্টর হিমন্ত বিস্ব সর্মসু শরুক য়াখি। দ্রৌপদি মুরমুনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ওইনা ৱাশক লৌখ্রবা মতুং অসামদা লাকখিবা অসি হন্দক্কী খোঙচৎ অসিনা অহানবা ওইরি। প্রসিদেন্টকী নুমিৎ নীনীগী খোঙচৎ অসিগা মরী লৈননা অসামদা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট কয়াসু উরেপ উয়ুং তমখি। মদুগী মনুংদা ইন্দিয়ন ইন্সটিট্যুট ওফ টেক্নোলোজিগী মখাদা পায়খৎকদবা প্রোজেক্ট কয়াসু য়াওরি।

অমরোমদা প্রসিদেন্ট মুরমুনা ফোঙদোকখিবদা, অসামগী ফজবা অসি অতোপ্পা ষ্টেটশিংগী ফজবগা মান্নদে। শেমগৎ শাগৎপা ৱাৎপগী মীয়াম্না মসিগী ফজবা অসি মপুঙ ফানা উবা ঙমদবনি। ষ্টেট গভর্নমেন্টনা টুরিজমদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎলবদি অতেনবা মতমগী মনুংদা অসামনা লম কোয়বা কয়াগী পুক্লিং চিংশিনবা ঙমগনি। লৈবাক অসিগী অৱাং নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈরিবা ষ্টেটশিং অসি মহৌশাগী ফজবা কয়ানা লৈতেংলি। মফমশিং অসিগী ফজবসি মালেমগী মীয়ামদা উখোক্লবা হোৎনগদবনি হায়রি।

# অলফা-আই য়াওনবা লাকখিবা নহা অহুম সিক্যুরিটি ফোর্সনা ফারে

তিনসুকিয়া, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সি): অসামগী তোঙান তোঙানবা শরুকশিংদা ষ্টেট পুলিস অমদি অসাম রাইফলসকী পর্সনেলশিংনা চখিবা থি হুস্বগী থবক্তা লোনা অথিংবা থমখ্রবা লালহৌলূপ অলফা-আই য়াওনবা লাকখিবা নহা অহুম ফারে হায়রি।

পুলিসকী রিপোর্ট মতুংইন্না নহা অহুম অদু অসাম রাইফলসকী টিম অমনা তিনসুকিয়া দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চনবা জাগুনদগী ফাখিবনি। হৌখিবা শগোলশেন নুমিৎকী নুমিদাংদা মখোয় অহুম বস অমদা তোংদুনা চৎলিঙৈদা ফাবা ঙমখিবনি। ফারবা মীওই অহুম অদুদি স্বাদেশি, বিজয় বোরি অমসুং গুনাধর রাজৱরনি। মখোয় অহুম লেকাপনি পুলিস ষ্টেসনদা মখা তানা ৱাহং পাউহং চখ্খনবগীদমক খুৎশিন্নখ্রে হায়রি। অমরোমদা অসামগী নহা কয়াবু অলফা-আইনা সোসল মিদিয়াগী খুত্থাংদা রিক্রুইট তৌনবা থবক থৌরম কয়া চখ্খরক্লিবা অসি থিংনবা অখন্নবা য়ুনিট অমা শেমখ্রে হায়রি।

# প্রসিদেন্টকী ওফিসপু বি জে পিনা অরানবা মওংদা শিজিন্নরে

অগরটালা, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সি): হৌজিক হৌজিক সেন্টরদা রুলিং পার্টি ওইনা লৈরিবা বি জে পিনা লৈবাক অসিগী প্রসিদেন্ট ওফিসপু ইলেক্সনগা মরী লৈনবা থবক থৌরমশিংদা অরানবা মওংদা শিজিন্নরে হায়না সী পি আই-এমনা মরাল শিরকখিবগা লোয়ননা বি জে পিনা ইলেক্সনদা মায় পাক্লবা হোৎনবদা দেমোক্রেসিগী লৈজরিবা শক্তম খুদিংমক থুগায়রে হায়রি।

হিরম অসিগা মরী লৈননা ত্রিপুরা সী পি আই-এমগী সেক্রেটরি জিতেন্দ্র চৌধুরিনা ফোঙদোকখিবদা, ষ্টেট অসিদা বি জে পিগী ওইবা লৈঙাক অমা লাকখ্রবা মতুং অনইমপ্লোইমেন্ট য়াওনা দিবলপমেন্টগী ওইবা থবক থৌরম খুদিংমক মমাংলোমদা চঙশিনবা ঙমদ্রে। মীয়ামগী চাওখৎ থৌরাংদা শিজিন্নগদবা শেনফমশিং ইলেক্সনগী থবক থৌরমশিংদা ওইনা শিজিন্নদুনা লৈরে। মসিগী মথক্তা প্রসিদেন্ট ওফিসতগী অরানবা মওংদা ইনফোর্মেসন কয়া লৌথোকপগী থবক তৌরেসু হায়রি।

# ইল্লিগেল ওইবা মওংদা শামুশিং ফারগা ট্রান্সপোর্ট তৌবগী থবক তোয়না চখরে : সী এস ও

ইটানগর, ওক্টোবর ১৪ (এজেন্সি): অরুনাচল প্রদেশকী মনুং হঞ্জিনবা মফমশিংদগী ইল্লিগেল ওইবা মওংদা মপুঙ মরৈ ফারক্লবা শামুশিং ফারবা মতুং লৈবাক অসিগী নোংচুপ থংবা শরুকশিংদা ট্রান্সপোর্ট তৌবগী থবক য়াম্না তোয়না চখরে হায়না তোঙান তোঙানবা সীভিল সোসাইটি ওর্গনাইজেসন কয়ানা অরুনাচল প্রদেশ এনভাইরনমেন্ট, ফোরেষ্ট এন্দ ক্লাইমেট চেঞ্জ দিপার্টমেন্টকী প্রিন্সিপাল সেক্রেটরিদা অঙৈবা কমপ্লেন অমা পীশিনখিবগা লোয়ননা হিরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক পায়খৎনবা অকনবা মওংদা তকশিনখ্রে হায়রি।

ৱাইল্দ লাইফ রেস্ক্যু এন্দ রিহেবিলিটেসন সেন্টর (দব্লিয়ু আর আর সী), ফেদরেসন ওফ ইন্দিয়ন এনিমেল প্রোটেক্সন ওর্গনাইজেসন, কেপ ফাউন্দেসন এন্দ সেন্টর ফোর রিছর্স এন্দ এনিমেল রাইটস হায়রিবা ওর্গনাইজেসনশিং অসিনা ফোঙদোকখিবগী মতুংইন্না, হৌখিবা থা মঙারোম অসিদা অরুনাচল প্রদেশতগী মপুঙ মরৈ ফারবা শামু



১০ ইলিগেল ওইবা মওংদা গুজরাৎতা পুনবা হোৎনরম্বদগী ফাবা লৈখ্রে। লন্নাই মীওইশিংনা শাশিন্নবা চে চাং কয়া শিজিন্নদুনা শামুশিং ফাদুনা অতোপ্পা ষ্টেটশিংদা পুবগী থবক তৌরি। ইল্লিগেল ওইবা মওংদা ফাদুনা পুনবা হোৎনরল্লিবা অমদি পুখ্রে হায়না চিংনরিবা শামুশিং অসি লম্লক্কী শামু ঙাক্তনি। অচৌবা কোমশিং তৌদুনা থম্লগা শামুশিং ফাবগী থবক চথৈ হায়বগী রিপোর্টসু লৈরে। হায়রিবা রিপোর্টশিং অদুসু মরী লৈনবা দিপার্টমেন্টতা খুৎশিন্নখ্রে। অমরোমদা অসামদগী পুখিবা শামু জয়মালাগী মতাংদা অচৌবা ৱাথোক অমা থোক্লিঙৈ মরক অসিদা অরুনাচল প্রদেশতগী ইল্লিগেল ওইবা মওংদা শামুশিং পুরিবা অমদি পুনবা হোৎনবগী থৌওং অদুবু পেটা ইন্দিয়ানা অকনবা মওংদা য়ানিংদবা ফোঙদোরকখিবগা লোয়ননা অরুনাচল প্রদেশ গভর্নমেন্টনা হিরম অসিগী মতাংদা অহেনবা মীৎয়েং চঙদুনা থবক তৌনবা পেটা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী অকনবা মওংদা তকশিনখ্রে হায়রি।

## CROSSWORD-3671



**ACROSS**
1 Roomy (8)
6 Droop (3)
9 Ahead of schedule (5)
10 Vast (7)
11 Deep red (7)
13 Military trainee (5)
14 Remove, separate (6)
15 Aeroplane journey (6)
19 Sudden alarm (5)
21 Vanquish (7)
22 Sweet dish named after a ballerina (7)
23 Imitate (5)
24 Secret agent (3)
25 Merriment (8)

**DOWN**
2 Persevere (7)
3 Shed tears (3)
4 The East (6)
5 Punctuation mark (9)
6 Church council (5)
7 Invited person (5)
8 Fought with swords (6)
12 Penitential attire (9)
16 Epicure (7)
17 Three times (6)
18 Scribble (6)
19 Famous diarist (5)
20 Manual worker (5)
23 Spoil (3)

Solution 3670



SOLUTION ON NEXT ISSUE

## HUEIYEN SUDOKU

### Hueiyen Sudoku-4071

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| | 5 | | | 1 | | | | |
| 3 | | 9 | | 7 | | | 2 | |
| 6 | | | | 9 | 8 | | 7 | 3 |
| | 6 | | | | | | | 4 |
| | 3 | | | | | | 5 | |
| 7 | | | | | | | 6 | |
| 9 | 8 | | 4 | 3 | | | | 7 |
| | 4 | | | 6 | | 8 | | 2 |
| | | | | 8 | | | 3 | |

### Solution-4070

| | | | | | | | | |
|---|---|---|---|---|---|---|---|---|
| 8 | 3 | 6 | 9 | 4 | 1 | 2 | 7 | 5 |
| 4 | 1 | 9 | 5 | 7 | 2 | 3 | 8 | 6 |
| 5 | 7 | 2 | 8 | 6 | 3 | 9 | 4 | 1 |
| 6 | 9 | 5 | 2 | 8 | 4 | 7 | 1 | 3 |
| 7 | 2 | 8 | 3 | 1 | 5 | 4 | 6 | 9 |
| 3 | 4 | 1 | 6 | 9 | 7 | 8 | 5 | 2 |
| 1 | 5 | 7 | 4 | 2 | 9 | 6 | 3 | 8 |
| 9 | 6 | 4 | 1 | 3 | 8 | 5 | 2 | 7 |
| 2 | 8 | 3 | 7 | 5 | 6 | 1 | 9 | 4 |

**Fill in the empty fields with the numbers from 1 through 9 Every row must contain the numbers from 1 through 9 Every column must contain the numbers from 1 through 9 Every 3x3 square must contain the numbers**

## EMPLOYMENT NEWS

### HIGH COURT OF MANIPUR RECRUITMENT 2022 FOR LIBRARY ASSISTANT

High Court of Manipur Library Assistant Recruitment 2022:
Advertisement for the post of Library Assistant in High Court of Manipur. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 04 November 2022. Candidates can check the latest High Court of Manipur Recruitment 2022 Library Assistant Vacancy 2022 details and apply online at the recruitment 2022 page.
High Court of Manipur Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ . High Court of Manipur selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Manipur. More details of recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Vacancy Circular No:
High Court of Manipur
invites applications for recruitment of Library Assistant
Library Assistant
Job Location:
At Mantripukhri, Imphal, 795002 Manipur
Last Date: 04 November 2022
Employment Type: Full Time
Number of Vacancy: 1 Post Posts
High Court of Manipur
High Court of Manipur Recruitment 2022 Details
Company High Court of Manipur
Job Role Library Assistant
Education Requirement
Total Vacancy 1 Post
Job Locations Imphal
Experience Fresher
Salary 25500 - 81100(Per Month)
Posted on 30 Sep, 2022
Last Date To Apply 04-11-2022
Educational Qualification: Diploma
Skills / Eligibility
Pay Scale: INR 25500 - 81100(Per Month)
Age Limit:38 years.
Selection Procedure
Candidates will be selected based on written test/personal interview/ medical test/walkin interview. Once a candidate is selected they will be placed as Library Assistant in High Court of Manipur.
How to Apply:
Candidates must apply for High Court of Manipur Recruitment 2022 before 04/11/2022 The procedure to apply for the High Court of Manipur Recruitment 2022 is stated below also check the application link here.
Step 1: Visit High Court of Manipur official website hcmimphal.nic.in
Step 2: Search for High Court of Manipur Recruitment 2022 notification
Step 3: Read all the details in the notification and proceed further
Step 4: Check the mode of application and apply for the High Court of Manipur Recruitment 2022
Important Dates:
Published on: 01 October 2022
Last date for application is: 04 November 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

### NAGALAND UNIVERSITY RECRUITMENT 2022 FOR 23 NON-TEACHING POSTS

Nagaland University Non-Teaching Posts Recruitment 2022
Advertisement for the post of Non-Teaching Posts in Nagaland University. Candidates are advised to read the details, and eligibility criteria mentioned below for this vacancy. Candidates must check their eligibility i.e. educational qualification, age limit, experience and etc. The eligible candidates can submit their application directly before 4th November 2022. Candidates can check the latest Nagaland University Recruitment 2022 Non-Teaching Posts Vacancy 2022 details and apply online at the nagalanduniversity.ac.in/ recruitment 2022 page.
Nagaland University Recruitment Notification & Recruitment application form is available @ nagalanduniversity.ac.in/. Nagaland University selection will be done on the basis of test/interview and shortlisted candidates will be appointed at Nagaland. More details of nagalanduniversity.ac.in/ recruitment, new vacancy, upcoming notices, syllabus, answer key, merit list, selection list, admit card, result, upcoming notifications and etc. will be uploaded on official website.
Non-Teaching Posts
Lumami, Zunheboto, 798627 Nagaland
Last Date: 4th November 2022
Employment Type: Full-time
Number of Vacancy: 23 Posts
Educational Qualification:
Assistant: Master in Business Management / Post Graduate Diploma in Business Management / M.A. / M.Com/ C.A.. OR B.Com./B.A./ Bachelor in Business Management with a minimum of five years of experience working as a Junior Accountant or Senior Clerk dealing with Financial/ Accounts matters.
Driver: i) HSLC from a recognized Board ii) Possession of a valid and appropriate driving license from a prescribed Govemment Authority.
Security Guard: HSLC Desirable: Working knowledge of Local language and Hindi / English.
Chowkidar: HSLC Desirable: Working knowledge of Local language and Hindi / English.
Library Attendant: HSLC Desirable: Working knowledge of Local language and Hindi / English.
Peon: HSLC.
Sweeper-cum-cleaner: HSLC. (For more details, please refer to official notification)
Pay Scale: INR 18000-56900/- Per Month
Age Limit: Maximum 30 Years.
Application Fee: please refer to official notification.
Selection Process: please refer to official notification.
How to Apply:
Applications should be sent to the Nagaland University office. Send your fully filled applications to
Recruitment Cell (Establishment Section),
Nagaland University, Headquarters: Lumami,
P.0: Lumami, Pin-798627
District: Zunheboto, Nagaland
Important Dates:
Published on: 4th October 2022
Last date for application is: 4th November 2022
For more details, please refer to official notification at Download Official Notification

